# দিল্লি য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মীখলদা এ বি ভি পিনা সীট ৩ ফংখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১০(এজেন্সী): বি জে পিগী ষ্টুদেন্টস ৱিং ওইরিবা অখিল ভারতিয়া বিদ্যারঠি পরিষদ (এ বি ভি পি)না দিল্লি য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (দি য়ু এস য়ু)গী মীখলদা সীট ৩ ফংবা ঙমখ্রে।

থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯ দগী ভোট মশীং থীবা হৌখ্রবা মতুংদা এ বি ভি পিনা প্রসিদেন্ট, ভাইস প্রসিদেন্ট অমদি সেক্রেটরিগী ফম ফংবা ঙমখি।

অমিট তনৱারবু দি য়ু এস য়ুগী প্রসিদেন্ট অমসুং প্রিয়াঙ্কা শৱ্রিবুনা ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা খনখি। অঙ্কিট টিৱারি অমদি মোহিট সংৱানবুনা মথংশিংনা সেক্রেটরি অমসুং জোইন্ট সেক্রেটরি ওইনা খনখি হায়রি।

দিল্লি য়ুনিভর্সিটিনা চহী অসিদগী হৌনা নন ওফ দ অভব (নোটা) হাপচিনখিবগা লোয়ননা ভোটর কয়ানা নোটাদা ভোট পীখি। চহী ৫গী মনুংদা দি য়ু এস য়ুগী মীখলদা ভোট থাদবগী চাং খ্বাইদগী নেম্বা হন্দক্কী চহীনা ওইরে। চহী অসিদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৩৬.২ খক ওইখি। ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা অপূনবা ভোটর মশীংগী চাদা ৩৩ রোম্না ভোট থাদখি। মমাঙ চহীদদি ভোট থাদবগী চাং চাদা ৪৩.৩ ওইখিবনি।

দি য়ুগী এদমিনিষ্ট্রেসনা থৌশিল শোয়বদগী হন্দক্কী চহীদা ভোট থাদবগী চাং কা হেন্না নেমখিবনি হায়না মহৈরোয়শিংনা ফোঙদোকখি। খ্বাইদগী মরুওইবা মরমদি রামজাস কোলেজ, লো ফেকল্টি, রামানুজন কোলেজ অমসুং বস্করাচারিয়া কোলেজ ওফ এপ্লাইদ সাইন্সকী ইন্টর্নেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মীখল মতম চানা পাঙথোকখিদবা হায়বসিনি। মিং চনবা অমদি ইগজামগী ফল লাউথোকপদা চরাংনবা থোকখিবনসু ভোট থাদবগী চাং নেমহন্নবগী মরম ওইখি।

প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা এ বি ভি পিগী অমিট তনৱারনা অপূনবা ভোট মশীং ১৬,১২৭ ফংখিবগা লোয়ননা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্নবা লম্বা ওইখিবা এন এস য়ু আইগী নিখিল য়াদবতগী ভোট ৪,২৯০ হেন্দুনা মায় পাকখিবনি। ভাইস প্রসিদেন্টকী মীখলদনা এ বি ভি পিগী প্রিয়াঙ্কা শৱ্রিনা এন এস য়ু আইগী অর্জুন সপ্রাদগী ভোট ২,৪৫৫ হেন্দুনা মায় পাকখি। সেক্রেটরিগী মীরেপ ওইখিবা এ বি ভি পিগী অঙ্কিতা সংৱাননা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্নবা লম্বা ওইখিবা এন এস য়ু আইগী বিনিতা ধাকাদগী ভোট ১,৬৮৩ হেন্দুনা মায় পাকখি। জোইন্ট সেক্রেটরিগী ওইনা এন এস য়ু আইগী মোহিট গারিদনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্নবা লম্বা ওইখিবা এ বি ভি পিগী বিশাল য়াদবতগী ভোট মশীং ২,৪৬৬ হেন্দুনা মায় পাকখি হায়রি।

মমাঙ চহীদদি এ বি ভি পিনা সীট মরিমক ফংবা ঙমখিবনি। হন্দক্কী মীখল অসিদা আম আদমি পার্টি (এ এ পি)গী ষ্টুদেন্টস ৱিং ওইরিবা ছাত্র য়ুব সঙ্ঘর্শ সমিটি (সী ৱাই এস এস)না মীরেপ অমত্তা থাগৎখিদে।

পনবা য়াবদি, নেসনল গ্রীন ট্রাইব্যুনেল (এন জি টি)না খঙহল্লকখিবগী মতুংইন্না হন্দক্কী মীখল অসিগী মতাংদা দিল্লি য়ুনিভর্সিটিনা মীখলদা মীরেপ ওইবা মীওই অমনা কেম্পস মনুংদা খুৎনা ইবা পোষ্টর অনীদগী হেন্না থেৎপা য়াহনখিদে। মমাঙগী মতৌগুম অনম্বা পোষ্টর অমত্তা থেৎহনখিদে।

থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা এদভাইজরি কম্মিটিগী মীফমদা মরুওইবা ৱারেপ কয়া লৌখিবগা লোয়ননা চীফ ইলেক্সন ওফিসরনা থারকপা ঈ-মেল খুদিংমক মীরেপশিংনা পুং ২৪গী মনুংদা পাউখুম পীগদবনি হায়রি। মমাঙগী মতৌগুম মীখলগা মরী লৈনবা পোষ্টর থেৎপা গাড়ী অমত্তা য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস মনুংদা থৌবা য়াহনখিদে।

মীখলগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক অমত্তা থোকহন্দনবগীদমক মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা য়ুনিভর্সিটিগী ওথোরিটিশিংনা দিল্লি পুলিসকী মতেং লৌখি। কোলেজ লেভেল মোনিটরিং সেল কয়া শেমখিবগা লোয়ননা ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট ঙাক্না চৎহন্নবা থৌরাং কয়াসু লৌখৎখি।

# পাকিস্তাননা হন্দক্তা বেলোচিষ্টানদা মিলিটরি ওপরেসন কয়া চথরকখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১০(এজেন্সী): পাকিস্তানবু খোয়শাউনবা পোকহনবা য়াবা মওংদা বেলোচ রিপব্লিকান পার্টিগী য়ুনাইটেদ নেসন্স হ্যুমেন রাইটস কাউন্সীলদা মীহুৎ ওইনা লৈবা অব্দুল নৱাজ বুগতিনা হায়খ্রে মদুদি, হন্দক্তা বেলোচিষ্টান রিজন্দা পাকিস্তানি ফোর্সেসনা মিলিটরি ওপরেসন কয়া চথরকখি।

পাকিস্তানগী তমথিবা থৌওংশিং পল্লদুনা বুগতিনা হায়খি, নুপী অমদি অঙাং য়াওনা বেলোচ মীচম ১৯ পাকিস্তানি আর্মীনা হন্দক্তা হাৎখি। দেরাবুগতিগী মীচম লৈবা মফম কয়াদসু পাকিস্তাননা অকনবা মওংদা এটেক চথরকখি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইস্লামবাদনা চথরকখিবা অকি-তুংজুংবনা থল্লবা থৌওংশিংগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, দেরাবুগতিদা মরাল লৈতবা বেলোচ মীচম অমা হাৎখিবগা লোয়ননা পোলিটিকল ৱার্কর অমগী ময়ুম নুমিৎ ৪নি কোয়শিন্দুনা থমখি।

ইন্টরনেসনল মিদিয়ানা বেলোচ মীয়ামগী অৱাবা পাউদম শন্দোকপীদুনা পাকিস্তানগী মখুত্তগী মরাল লৈতবা মীচমশিং কন্নবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু হায়না মহাক্না আপিল তৌখি। হন্দক্তা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সীলদা বেলোচিষ্টানগী মীহুৎ ওইনা লৈবা মেহরান মারিনা বেলোচ মীয়ামগী মথক্তা ৱার ক্রাইম তৌবগী মরাল লৈরবা পাকিস্তানবু ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিনা চৈরাক পীবিয়ু হায়না তকশিনবা লৈখ্রে।

মহাক্না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফ, আর্মীগী চীফ রাহিন শরিফ, ইন্টর সার্বিসেস ইন্টলিজেন্স (আই এস আই)গী দি জি অমসুং অতৈ ৱার ক্রিমিনেলশিংবু পাকিস্তানদগী হেক থোরকপগা ফাদুনা চৈরাক পীগদবনি।

অমরোমদা, য়ুমলোন্নবা লৈবাক্না টেররিজমগী থবক থৌরম লৌখৎলকপদা ইন্দিয়ানা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখি। প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱাফম অদুবু ব্রহমদাগ বুগতি অমদি অশ্রফ শেরজাননচিংবা বেলোচিষ্টানগী লুচিংবশিংনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

বেলোচিষ্টানদা মীচম মীয়াম ওৎ-নৈবগীদমক পাকিস্তানগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎকদবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা মায়কৈ কয়াদগী ইস্লামবাদপু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকপা লৈখ্রবনি।

লৈবাক্কী ৭০শুবা নীংতম নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা রেদ ফোর্টতা ৱা ঙাঙখিবদা মোদিনা হায়খি মদুদি, পাকিস্তাননা টেররিষ্টশিং য়োকখত্তুনা থল্লে। টেররিষ্টশিংনা লৈঙাকপা পাকিস্তানগী মখুত্তগী বেলোচিষ্টান অমসুং পাকিস্তান ওক্যুপাইদ কাশ্মীর (পি ও কে) নীং তমহন্নবা হোৎনগদবনি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জিতেন্দ্র সিংহনা হায়খ্রে মদুদি, ইস্লামবাদনা অথুবা মতমদা বেলোচিষ্টানগী মথক্তা চথরিবা মীওৎ-মীনৈগী থৌওংশিং লেপকদবনি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, য়ুম্লোন্নবা লৈবাক অমা মৈ চাকপা তারবদি লৈবাক অসিদসু শোয়দনা মৈশা ফংলক্কনি। মরম অদুনা বেলোচিষ্টান অমদি পি ও কেদা পাকিস্তাননা চথরিবা মীওৎ-মীনৈগী থৌওংশিং খুদক্তা লেপহনগদবনি।

পনবা য়াবদি, ওগষ্ট ১৫ দা পাকিস্তানি আর্মিনা মীওই ১০০ রোম হাৎখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ১৫০ ফাদুনা পুখি হায়না এক্টিভিষ্ট অমনা এজেন্সীদা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। বেলোচিষ্টানদা লৈরিবা মীয়ামবু শা-ঙা হাৎপগুম হাৎলবা মতুংদা পাকিস্তানি আর্মিনা মরাল লৈতবা মীচম কয়া ফাদুনা পুখিবনি হায়রি।

কেমিকেল ৱেপন শীজিন্নবগী পাউ তারবা মতুংদা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা বেলোচ মীয়াম্না পাকিস্তানি গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট দেমোনষ্ট্রেসন চথখি।

অমরোমদা, চাইনিজ আর্মি চঙলক্তুনা লৈবাক মনুংগী ওইবা থবক থৌরমদা খুৎ থিংজিনবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা প্রোটেষ্টর-শিংনা পাকিস্তান অমদি চাইনাগী মায়োক্তা স্লোগান কয়া লাউখি।

পাকিস্তান ওক্যুপাইদ কাশ্মীর (পি ও কে) অমদি গিলগিট-বালটিষ্টাননচিংবা অতৈ মফম খরদসু চপ মান্নবা মওংদা পাকিস্তানগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লকখি। পনবা য়াবদি, নীংতম নুমিৎকী থৌরমগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা বেলোচিষ্টান অমদি পাকিস্তান ওক্যুপাইদ কাশ্মীর নীংতমহন্নবা হোৎনবদা মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

# 'অমৃতসরবু *হোলি সিটি*গী ষ্টেটস ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি'



চান্দিগর, সেপ্টেম্বর ১০(এজেন্সী): দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা হায়খ্রে মদুদি করিগুম্বা আম আদ্মী পার্টি (এ এ পি)না এসেমব্লি ইলেক্সনদা মায় পাকপা থোক্লবদি গোল্ডন টেম্পলগী অকোয়বদা শা অমসুং য়ু য়োনবা য়াহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলগনি। নুমিৎ ৫নিগী পঞ্জাব খোঙচৎতা লাকখিবা কেজ্রিৱালনা অমৃতসর সিটি অমদি অনন্দপুর সাহিবপু *হোলি সিটি* ওইনা লাউথোক্নবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মমাঙদা কেজ্রিৱালনা তোংলকপা এস য়ু ভী গাড়ীনা এস্কোর্টকী কারদা থেংজিনবগী থৌদোক অমা থোকখি। অদুবু লাইবক ফবদগী থৌদোক অদুদা মীওই অমত্তা অশোক-অপন নংখিদে।

কেজ্রিৱালনা তোংলকপা ইনোভা কারগী বম্পর অমাঙ-অতা থোকপা নত্তনা গাড়ী অদুদা তোংলকপা মীওই অমত্তা শোকখিদে। এ এ পিগী লূচিংবশিং ভগৱন্ত মান অমদি গুরপ্রিত ঘুগিগা লোয়ননা গাড়ী অদুদা তোংলগা জলন্ধর-অমৃতসর হায়ৱেদা থৌরকপদা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি।

হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা পঞ্জাবকী এসেমব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা কেজ্রিৱাল অমদি এ এ পিগী অতৈ লূচিংবা খরনা ষ্টেট অসিগী মফম খরদা মীখলগী কেম্পেন তৌবা লাকখিবনি।

পার্টিগী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি মদুদি, কেজ্রিৱালনা অমৃতসরদা হেক থুংলবগা গোল্ডন টেম্পলদা হান্না চৎতুনা লাই খুরুমখি। তুংদা মহাক্না মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকপা মীফম অমদা ৱা ঙাঙখি।

অমরোমদা, দিল্লিবু য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমনি হায়না দিল্লি হায় কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল অমা ষ্টে তৌবগী ৱাফম সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদ্রে। এপেক্স কোর্টনা দিল্লিবু য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লেফটনেন্ট গভর্নরনা এদমিনিষ্ট্রেটিব হেদনি হায়না ৱায়েল পীখি।

মমাঙদা দিল্লি হায় কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল অদুগী মতাংদা এ এ পি গভর্ণমেন্টনা ফাইল তৌরকখিবা আপিল তরুক্না মরী লৈননা সেন্টরদা এপেক্স কোর্টনা নোটিস অমা থাবা লৈখ্রবনি। সুপ্রিম কোর্টনা চয়োল ৬কী মনুংদা পাউখুম পীরক্নবা সেন্টেরদা খঙহনখিবগা লোয়ননা নবেম্বর ১৫দা অরোইবা হিয়ারিং চৎথগনি হায়না ফোঙদোকখি।

লেফটনেন্ট গভর্নরনা দিল্লিগী মকোকনি হায়বা ৱাফম য়াওনা হায় কোর্টনা পীরকখিবা ৱায়েল অদু ষ্টে তৌবীনবা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা লূচিংবা এ এ পি গভর্ণমেন্টনা সুপ্রিম কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখিবনি।

এ এ পিগী এম এল এ ২১ পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইনা খনবগী ৱাফম দিল্লি হায় কোর্টনা অয়াবা পীখিদ্রবা মতুংদা বি জে পিনা হায়খিবনি মদুদি, চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা কাঙলোনগী ৱাংমদা থবক তৌরে হায়বা হায় কোর্টকী ৱায়েল অদুনা ময়েক শেংনা তাক্লে। দিল্লি গভর্ণমেন্টনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারোল অমা থাদোরকপগা লোয়ননা মরী লৈনবা এম এল এ ২১ ফম থাদোকহন্দ্রি ফাওবা এসেমব্লিগী মীফম পাঙথোকপা য়াহল্লোই।

# মেঘালয়ানা জি এস টিঅয়াবা পীবা ২১শুবা ষ্টেটওইরে



শিল্লোং, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী): মেঘালয়ানা ঙরাং গুদস এন্দ সার্বিসেস টেক্স (জি এস টি) বিল অয়াবা পীখ্রে। কোংগ্রেসনা লৈঙাকপা ষ্টেটশিংগী মনুংদা হিমাচল প্রদেশ অমদি অরুনাচল প্রদেশকী হেক মথংদা জি এস টি বিল অয়াবা পীবা মেঘালয়ানা ৩শুবা ষ্টেটনি। লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী ইহান হান্না বিল অসিবু অসামনা অয়াবা পীখিবনি।

এসেমব্লিগী মীফম হৌবা নুমিৎতা লো মিনিষ্টর রোসন ৱাজরিনা কন্সটিট্যুসন এমেন্দমেন্ট বিল অসি রেটিফাই তৌনবগী মতাংদা পুখৎলকখিবা গভর্ণমেন্টকী রিজোল্যুসন অমা হাউসনা মোত অমত্তা ওইনা অয়াবা পীখি।

মমাঙদা স্পিকর অবু তাহির মোন্দলনা গভর্ণমেন্টকী রিজোল্যুসন অদুগী মতাংদা মেম্বরশিংনা অয়েৎপা পীনিংবা লৈব্রা হায়না হংখিবদা মেম্বর অমত্তনা য়েৎলকখিদে। অদুম ওইনমক ওপোজিসনগী চীফ হ্বিপ জেমস সংমানা হায়খি মদুদি, এসেমব্লিগী মীফম হৌদ্রিঙৈদা গভর্ণমেন্টনা রিজোল্যুসনগা মরী লৈনবা চে-চাং ফংহনখিদবা মরম্না হাউসকী দিস্কসন্দা শরুক য়াদনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

মীফম লোইরবা মতুংদা পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহাক্না হায়খি, এম এল এশিংদা মরী লৈনবা চে-চাং খূদিংমক মতম চানা ফংহনবীয়ু হায়না কয়ারক হন্না হায়জদুনা লাকখিবনি। মাঙজৌননা চে-চাং অমত্তা ফংখিদবা মরম্না হাউসকী দিস্কসন্দা শরুক য়াবগী মথৌ তাদে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মহাক্না হায়খি, বিল হায়বসি ইচম চম্বা দোক্যুমেন্ট নত্তে। বিল অমা হাউসতা পুখৎকদবা লৈরবদি এম এল এশিংদা মাঙজৌননা বিলগী কোপি অমমম ফংহনবা য়াম্নমক তঙাইফদে।

অমরোমদা, মেম্বরশিংনা য়েৎনবা অমত্তা য়াওদনা বিল পাস তৌখিবদা চীফ মিনিষ্টর মুকুল সংমানা হরাওবা ফোঙদোকখ্রে। মতম অমদা কোংগ্রেসনা লূচিংবা য়ু পি এনা সেন্টরদা গভর্ণমেন্ট পায়রিঙৈদগী হৌনা বিল অসি পাস তৌনবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

ষ্টেটকী টেক্সেসন মিনিষ্টর জেনিথ সংমানা এসেমব্লিদা হায়খি মদুদি, জি এস টি বিলনা এক্ত ওন্দুনা থবক পায়খৎপা হৌরল্লবা মতমদা খ্বাইদগী চাউনা কান্নবা ফংগদৌরিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মেঘালয়াসু অমনি।

পনবা য়াবদি, প্রসিদেন্টনা জি এস টি কন্সটিট্যুসন এমেন্দমেন্ট বিল অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা অনৌবা ইনদাইরেক্ট টেক্স রেজিম চৎনহন্নবা লম্বী য়াৎখ্রবনি।

জি এস টি বিল অসি ভেল্যু এদেদ টেক্স (ভী এ টি), এক্সাইজ দ্যুটি, সার্বিস টেক্স, সেন্ট্রেল সেলস টেক্স, এদিসনেল কষ্টমস দ্যুটি অমদি স্পেসল এদিসনেল দ্যুটি ওফ কষ্টমসনচিংবা সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট টেক্সশিং পুনশিল্লগা ইনদাইরেক্ট ওইনা লৌগদবা সিঙ্গল টেক্স সিষ্টেমনি। পার্লিয়ামেন্টনা হৌখিবা ওগষ্ট ৮দা পাস তৌখিবা বিল অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংগী অয়াবা লৌনবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। কন্সটিট্যুসন এমেন্দমেন্ট বিল অমবু চৎনহন্নবগীদমক অপুনবা ষ্টেট মশীংগী চাদা ৫০না অয়াবা পীবা মথৌ তাই।

প্রাইম মিনিষ্টরনা লূচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা মথং চহীগী এপ্রিল ১দা বিল অসি এক্তা ওন্থোক্তুনা চৎনহনবা হৌগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা রেভিন্যু সেক্রেটরি হসমুখ অধিয়ানা হায়খিবনি মদুদি, গভর্ণমেন্টনা লেপখিবা মতমদগী ঙনখৎনা জি এস টি চৎনহনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈরে।

# সিক্যুরিটিগা খুৎ থোক্নবদা ২ শিরে

শ্রীনগর, সেপ্টেম্বর ১০(এজেন্সী): কাশ্মীর তম্পাক্তা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা নৌনা খুৎ থোক্নখিবদা মীওই অনী শিখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা শিখিবা মীওই পুন্না ৭৮ শুখ্রে। মীওই মরিদগী হেন্না পুনবা য়াদে হায়না থমখিবা ওথোরিটিগী অথিংবা থুগাইরদুনা সাউথ কাশ্মীরগী খুঙ্গং অনীদা মীওই চা কয়ানা খোঙজং চঙশিল্লকখি। সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মীয়াম তানখায়নবা টিয়ার গ্যাস সেল কয়া কাপখিবগা লোয়ননা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীয়াম্বু চৈনা ফুদুনা তানখায়খি। থৌদোক অদুদা মীওই কয়া অশোক-অপন নংখি। অশোকপশিং অদুগী মনুংদগী সাইয়র অহমদ শৈখ (২৫) অমসুং য়াৱর অহমদ (২৩) কৌবা মীওই অনী শিখি হায়রি।

**Office of the Head Master**
**Khema Chingkhong L.P. School (Aided), Kanghuchingjin Khunou**

**NOTICE**

Lamlai, the 6th September, 2016

No.1/KCHLPS (A)/2016: It is notified for information to all parents/ guardians of the Khema Chingkhong L.P. School (Aided), Kanghuchingjin Khunou that a guardian election is going to be held on 17/09/2016 at the school premises at 10.30 a.m. relating to the formation of new School Managing Committee (SMC) of the school concerned as per directive of the Z.E.O., Zone-II, Imphal East vide No. 1/6/2009-ED(ZEO-II) dated, the 12th August, 2016. The details of the election process are indicated as follows:-

i. Last date of submission of Nomination Form : 13/09/2016 upto 2.00 pm..
ii. Date of Scrutiny : 14/09/2016 at 11.00 a.m.
iii. Date of Withdrawal : 15/09/2016
iv. Date of Election : 17/09/2016

Interested local educationists are also invited for nomination of the same. The detailed information in this regard is also available in the school.

*Sd-* **Kh. Dinamani Singh**
R.O./Head Master,
Khema Chingkhong L.P. School (Aided),
Kanghuchingjin Khunou, Lamlai A/C

HL-P/9744/11

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

*Ref:- Mut Case No. 2098/SDC/IW-L/ 2016*

1. R.K. (O) Ibemnungshi Devi W/o (L) R.K. Lokendra Singh of Uripok Brahmapur
2. R.K. Imo Singh S/o (L) Basudeba Rajkumar of –do–
3. R.K. Rojit Singh S/o (L) R.K. Lukhoi Singh of –do–
4. R.K. Imotombi Singh S/o (L) Basudeba Rajkumar of –do–
5. R.K. Tombisana Singh S/o (L) –do– of –do–

-Petitioners

-Vrs-

Late Basudeba Rajkumar S/o Chaotonsana

-O.P. Party

**/NOTICE**

9/09/2016

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার বাসুদেবা রা: কু: পীং চাওতোনসনাগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ১০৫ গী অনৌবা পাট্টা নং ১২৩, দাগ নং ১০১১ গী এরিয়া ০.৮৯৫ চাওবা ইঙ্খোল অসি দংকারি নং ১ (অমা) না ০.২৯৮ অমসুং দাংকারি ২ দগী ৫ (২-৫) ফাওবনা ০.৫৯৭ পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

*Sd-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

HL-P/9748/11

**CAS Medical & Engineering**
An Institute Collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

ADMISSION IS GOING ON
REGULAR MEDICAL COURSE for NEET -2017

Second batch
RESCHEDULED ON 12TH SEPT. 2016

Special fecialities:-
Free Studentship for Medical Aspirants from
- Toppers in COHSEM & BOSEM Exams.
- NEET Schoring marks above -

435 (General) ; 434 (OBC) ; 424 (OBCMP); 350 (S.C.) ; 350 (S.T.) ; 300 (PH)

For Details Contact: CAS Office, Keishampat Junction Imphal
Hostel for BOYS & GIRLS available

HL-B/3236/2-17Sept

**HOUSIE BUMPER DRAW**
*Organised by*
ALL MANIPUR NEWSPAPERS SALES' AND DISTRIBUTOR'S ASSOCIATION (AMNSDA)
Regd. No. 572 of 2003, Estd.-1981
Affiliated to All India Trade Union Congress and National Hawkers' Federation, H/O New Delhi
*In Aid of*
FUND DRIVE OF AMNSDA

TODAY

Ticket Rate Rs: 500/-

TIME : 4.00 PM (Sharp)
DATE OF DRAW : 11th Sept, 2016 (SUNDAY)
VENUE : Ima Laikhulembi Mandop, Khurai Sajor Leikai

1st HOUSEFULL
2nd HOUSEFULL Rs. 40,000/-
1st Line - Rs. 10,000/-
2nd Line - Rs. 10,000/-
3rd Line - Rs. 10,000/-
Quick Five - Rs. 10,000/-
Star of AMNSDA - Rs. 10,000/-

HL-C/43/11

**/ লায়েংজরি UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থৰক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোন্সা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্সা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্তচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্তচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোকশাবা হাক্তচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**

HL-B/3291/3/09-2/10